


# সনাৈলেবাক স্পোর্টস

THURSDAY, MAY 08, 2014, PAGE 7




রোজর ফেদররনা মহাক্কী লোয়নবী মিরকা অঙাং উন্নবগা মরি লৈননা নৌনা পোক্কদৌরিবা মচা অনী অদুগী মমিং থোন্নবসু মীয়ামদা খঙহনখ্রে

দিল্লি দিয়ারদেবিলগা শান্নখিবা মেটচ অমদা কোলকটা নাইট রাইদরগী লুচিংবা ওইরিবা গৌতম গম্ভিরনা রন ৫০ হেন্না লৌখিবগা হরাওবা ফোঙবা

# নাইজেরিয়া হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবগা লোয়ননা ৫ রক শুবা ওইগদৌরি



*রিও দি জেনৈরো, মে ৭ঃ* নাইজেরিয়া অফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরগসু লৈবাক অসিনা ব্রাল্ড কপ্তা শরুক য়ারকপা অসি ইহান হানবা ওইনা ইং ১৯৯৪ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ব্রাল্ড কপ অদুদগী হৌনা লেপ্পা লৈতনা চহী ৪ শরুক য়ারবা মতুংদা ইং ২০০৬ ব্রার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মসিগী মথংদা হন্দক অমুক শরুক য়াবা অসিনা ৫ রক শুবা ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

য়ু এস এনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ অদুদা নাইজেরিয়া গ্রুপ (দি)দা তাদুনা গ্রুপ অদুদা অর্জেন্টিনা, গ্রিস অমদি বুলগেরিয়াগা পুন্না লৈমিন্নখি। অহানবা ওইনা বুলগেরিয়াগা শান্নবা মেটচ অদুদা নাইজেরিয়ানা ৩–০দা মায় পাকখি। অনীশুবা ওইনা অর্জেন্টিনাগা শান্নবা মেটচ অদু ২–১ দা মায়থীবা নংখি অদুগা অরোইবা ওইনা গ্রিস্কা শান্নখিবা অদুদা ২–০ দা মায় পাকখিবা লৈবাক অমনি।

গ্রুপকী সেকেন্দ তাদুনা নাইজেরিয়া সেকেন্দ রাউন্দ চঙবা ঙমখি অদুবু সেকেন্দ রাউন্দদা নাইজেরিয়া ইটালিগী মখুৎতা এক্সত্রা টাইমদা গোল ২–১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি। মথংগী ব্রার্ল্ড কপ হায়বদি ইং ১৯৯৮ দা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অদুদা অনীরক শুবা ওইনা নাইজেরিয়া শরুক য়াখি। চহী অদুদসু টিম অসি গ্রুপ (দি)দা অদুমক তাবগা লোয়ননা পৃথিবীগী অফবা লৈবাকশিংগা পুন্না লৈমিন্নখি। গ্রুপ অদুদা নাইজেরিয়াগা লৈমিন্নখিবা লৈবাকশিং অদুদি পেরাগুৱে, স্পেন অমদি মমাংগী ব্রার্ল্ড কপতা গ্রুপ পুনখিবা বুলগেরিয়ানি।



লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা স্পেনগা শান্নখিবা মেটচ অদু ৩–২ দা মায় পাকপা ঙমখি। অনীশুবা ওইনা বুলগেরিয়াগা শান্নবা মেটচ অদুদসু ১–০ দা মায় পাকপা ঙম্বগা লোয়ননা অরোইবা ওইনা পেরাগুৱেগা শান্নবা মেটচ অদুদা ৩–১ দা মায়থীবা নংখি। লৈবাক অসি অনীরক হন্না সেকেন্দ রাউন্দ চঙবা ঙম্বা ওইখি। সেকেন্দ রাউন্দদা দেনমার্ককী মখুৎতা গোল ৪–১ দা মায়থীবা নংহৌখি।

অহুমশুবা ওইনা ইং ২০০২ দা জাপান অমদি কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ অদুদা নাইজেরিয়া অমুক হন্না য়াওবগা লোয়ননা গ্রুপ (এফ)তা লৈখি। টিম অসিনা অহানবা ওইনা ব্রার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবদা গ্রুপ পুনমিন্নখিবা সাউথ অমেরিকাগী মমিং লৈরবা অর্জেন্টিনাগা অমুকসু হন্না গ্রুপ (এফ)তা লৈমিন্নবগা লোয়ননা ইঙলেন অমদি স্বিদেনগা পুনখি। অহানবা ওইনা অর্জেন্টিনাগা শান্নবা মেটচ অদুদা গোল ১–০ দা মায়থীবা নংহৌখি। অনীশুবা মেটচ অদুসু স্বিদেনগী মখুৎতা গোল ২–১ দা মায়থীবা নংবগা লোয়ননা ইঙলেনগা শান্নবা অরোইবা মেটচ অদুদা গোল চন্নদনা দ্রো ওইদুনা ব্রার্ল্ড কপ অসিদগী পোইন্ট অমখক ফংলগা মায়থীদুনা হনখি।

ইং ২০১০ দা লৈবাক অসিনা মরিরক শুবা ওইনা সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইবা অসিদা শরুক য়াখি। মসিদসু অর্জেন্টিনা অমদি গ্রিসকা পুন্না লৈমিন্নখি। অহানবা মেটচ ওইনা অর্জেন্টিনাগা শান্নবা মেটচ অদু গোল ১–০ দা মায়থীবা নংখি। গ্রিসকা শান্নবা মেটচ অদুসু গোল ২–১ দা মায়থীবা নংবগা লোয়ননা অরোইবা ওইনা য়ুম্বু ওইরিবা লৈবাক অমা ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগা শান্নবা মেটচ অদুনা গোল ২–২ দা দ্রো ওইদুনা শুপ্নগী পোইন্ট ১ খক ফংদুনা ব্রার্ল্ড কপ অসিদগী লৈহৌখি।

হন্দক লৈবাক অসিনা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ান্নবা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা অফ্রিকাগী অফবা টিমশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মখোয়না হোম অমদি এৱে মেটচতা ইথোপিয়ানা চিংবা লৈবাকশিংবু গোল ২–১ অমদি ২–০ দা মায় পাকপগা লোয়ননা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবনি। লৈবাক অসিগী ওইনা মমাংগী ব্রার্ল্ড কপশিংদা শরুক য়াখিবা মতমদা মীয়াম্না শক খঙখিবা শান্নরোইশিং খরগী মনুংদা জাজা ওকোচা, নোৱানকৌ কানু অমদি রসিদি য়েকিনি হায়বা শান্নরোইশিং অসিনি।

মসিদসু নত্তনা হন্দক্কী ওইনা শরুক য়াগদবা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা লৈবাক অসিগী অফবা প্লেয়রনি হায়না মমিং পন্নরিবশিংগী মনুংদা ভেন্সেন ইনিয়ামা অমদি ভেটরান প্লেয়রশিংগী মনুংদা ভিক্টর মোজেস, অহমদ মুসা অমদি ইমান্যুল ইমিনিকে হায়বা শান্নরোইশিং অসি ওইগদৌরি। টিম অসি ষ্টেফেন কেসিগী কোচ মখাদা হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

লৈবাক অসিনা ফিফানা শিনবা তোঙান তোঙান এজ গ্রুপকী টুর্নামেন্টশিংদা লেপ্পা লৈতনা চেম্পিয়ন ওইখিবা চহী খরসু য়াওখ্রে। ইং ১৯৮৫ দা চিনানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অন্দর ১৭ ব্রার্ল্ড কপ, ইং ১৯৯৩ দা জাপানদা পাঙথোকপা অন্দর ১৭ ব্রার্ল্ড কপ অমদি ইং ২০০৭ তা কোরিয়া রিপব্লিকনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অন্দর ১৭ ব্রার্ল্ড কপ্তা নাইজেরিয়ানা ৱিন্নর ওইখি। ইং ১৯৯৬ তা অটলান্টাদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক অদুদা লৈবাক অসিনা ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। ইং ১৯৯৯ দা ফিফাগী মখাদা পাঙথোকপা অন্দর ২০ ব্রার্ল্ড কপ সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোকখিবা অমদি নেদরলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ২০০৫ দা পাঙথোকখিবা অন্দর ২০ ব্রার্ল্ড কপশিং অসিদা লৈবাক অসিনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

লৈবাক অসি ফিফাদা এফিলিয়েট তৌদুনা ব্রার্ল্ড কপ অমদি তোঙান তোঙানবা এজ গ্রুপ কপশিংদা শরুক য়াবদা ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ তাখিবগা লোয়ননা ফিফানা পিবা রেঙ্কিংদা ৪৫ শুবদা লৈরি। টিম অসিগী ওইনা হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা এন এফ এফ হায়রগা খঙনবা নাইজেরিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা মীওই ৩০ গী ওইবা টিম ১ শেমখি। মসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুগী মনুংদা গোলকিপর ৪ থল্লি অদুগা দিফেন্দর ৮, মিদ ফিল্ডর ৯, ফোরৱার্দতা ৯ থমদুনা মখোয়গী অফবা পার্ফোমেন্স পীরক্তবা মতমদা শিন্দোক্নবগী খুদোংচাবা অদুসু থল্লি।

হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা অফ্রিকাগী কন্টিনেন্ট মনুংদগী লৈবাক ৫ না শরুক য়াবগী মনুংদা নাইজেরিয়াসু অকনবা লৈবাক অমা ওইগদৌরি। নাইজেরিয়া নত্তবা অফ্রিকাগী অতোপ্পা লৈবাকশিং অদুদি অলজেরিয়া, কেমেরুন, ঘানা অমদি কোদ দি আইভোরিনি। টিম অসিগী ভেটরান ওইরবা ষ্ট্রাইকর অহমদ মুসানা গোল কয়া চল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু থল্লি।







# সানিয়া মির্জা অমদি কারা ব্লেক ক্বার্টর চঙখ্রে

TENNIS

*মেদ্রিদ, মে ৭ঃ* মেদ্রিদতা চথরিবা মেদ্রিদ মাষ্টর অসিদা দবলস্তা ৫ শুবা সিদেদতা লৈবরিবা ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমদি মহাক্কী মপাং জিম্বৱেগী কারা ব্লেক অনীনা হাও–চিঙ চান অমদি চেনেলি স্পিয়রসপু সেকেন্দ রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দো–জিম্বাৱেগী টিম অসিনা টাইপৈ অমদি প্রোটিগী পিয়ার অসিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৪, ৬–১ দা মায়থীবা পীখি। মসিদা টিম অসিনা পুং ১ রোমগী ময়াদা চঙখি। মখোয় অনীনা মমাংগী চয়োলদা পোর্টুগাল ওপনগী ৱিন্নর ওইখি। অহানবা সেট অদুদা মখোয়না চানগী দবলস টিম অসিবু ৪–১ দা চাওনা মায় পাক্কুনা লৈরমখি। চান অমদি মহাক্কী কাংবুনা অহানবা সেট অদুমক্তদা মখোয়না মথং মথং মায় পাক্লক্কুনা ৩–৪ দা লৈরবা মতুংদা ইন্দো জিম্বৱেগী টিম অসিনা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা অহানবা সেট অদু ৬–৪ দা মায় পাকপা ঙমখি।

সেকেন্দ সেট অদুগী ইন্দো জিম্বৱেগী টিম অসিনা য়াম্না নীংথিনা শান্নবগা লোয়ননা অনীশুবা সেট অদু ৬–১ দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দো–জিম্বাৱেগী টিম অসিনা ৱাইল কার্দতা চঙলকখিবা ইটালি অমদি স্পেনগী পার্টনর ফ্রেন্সেস অমদি সিলভিয়াগী টিম নত্রগা টাইপৈ অমদি চাইনাগী টিম ওইরিবা টোপ সিদতা লৈরিবা সু ৱৈ অমদি সুৱাই পেংগা শান্নরবা য়াই। শান্নরোই ২ অসিনা মমাংদা পাঙথোকখিবা সিঙ্গাপুর ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা দবলসকী টিমদা লৈরিবা শান্নরোইশিংনা ফংনরিবা পোইন্টশিং অদুগী মনুংদা টোপ সিদতা লৈরিবা সারা ইরনি অমদি রোবেত্রা বেন্সিলিন অনীনা ফংলিবা পোইন্ট অসি ৩৪৩০নি। অনীশুবদা লৈরিবা এলেনা ভেস্নিনা অমদি এট্রিনিয়া মাটারোভানা ফংলিবা পোইন্টনা ২২৬৬ নি। অদুগা সানিয়া অমদি কারানা ফংলিবা পোইন্টনা ২২৪৭ নি।



# মুম্বাই ইন্দিয়াননা আর সি বি মায়থীবা পীখ্রে

*মুম্বাই, মে ৭ঃ* দুবাইদা চথরিবা ৭ শুবা আই পি এলগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ভেটরান ওইরবা বোল্লর হরভজন সিংহ নত্রগা পাজি হায়না খঙনবা প্লেয়র অসিনা রোয়েল চেলেঞ্জ বেঙ্গলোরগী য়াম্না মরুওইবা ৱিকেট অমা ওইরিবা খৃষ্ট গেলবু আউট ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা মায় পাকপা ঙমখি।

ভেটরান ওফ স্পিনর হরভজন সিংহনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না লংলিবা বোলশিং অদু অয়াম্বা মতমদা বেটচমেন সিংহগী সোটতা তাবগা লোয়ননা য়ৈবদা য়াম্না খুদোংচাদবা অমা ওইহল্লি। বেটচমেনশিংনা মহাক্কী বোল অসিবু করিগুম্বা মতা চারুদনা পানখ্রবদি ফৈ মদুগী ওন্না তৈনবদা পালহৌদবা থোক্লগনি ষ্টম্পতা দাইরেক্ট হিদ ওইদুনা ৱিকেট তুগল্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোইশিংনা মহাক্কী বোল অসি মতম কয়াদগী থেংনদুনা লাক্লবনিনা থোইনা খল্লুদবা মিৎকুপ অদুনা বেটচমেনগী খ্বাইদগী লাইবক থিবা অমসু ওইখি। টিম অসিনা মায় পাক্লবা মতুংদা ভেটরান ওইরবা স্পিনর অসিনা ফোঙদোকখিবদা অন্দর প্রেসরদা লৈরবা মতমদা মহাক্না টিমগীদমক খন্দুনা য়াম্না চেকশিন্না বোল লংখিবা কয়া অমা থোকখ্রে। মসিদা অয়াম্বা মতমদা মহাক্না খল্লিবা অদুগী ওন্ন–তৈনবদা বেটচমেনশিংনা লৌরকপা ফিরেপশিং অদুনা টিম অসিগী ওইনা মায় পাকপা অমসু ওইখিবনি।

টি–২০ হায়বা ফোর্মেট অসিদা শান্নবা ক্রিকেটকী মশান্নগা ৱান ডে ইন্টরনেস্নেল খুৎশান্নগা খরা খেনবা লৈ। টি–২০গী অকক্লবা ওভরদা অকক্লবা রন মশিং লৌদবা য়াদবদগী অকনবা প্রেসর অমা বেটচমেনশিংদা তৎতনা থেংনৈ। করিগুম্বা কান্দসু ফিল্ডিংগী সাইদতা অকক্লবা ওভর অসিগী মনুংদা রন লৌদনবা অফবা বেটচমেনশিংগী ৱিকেট তুহনবগী তঙাইফদবা কয়া অদুসু লৈহায়না হরভজননা ফোঙদোকখি। মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা রোয়েল চেলেঞ্জ বেঙ্গলোরবু মায়থীবা পীবা অসিদা মহাক য়াম্না নুংঙাই অমদি মহাক্না মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী ওইনা ওপনর বোল্লর ওইনা শরুক য়াবা অসিসু নুঙাইবা অমা পোকই হায়না ফোঙদোকখি।

| Team | P | W | L | RR | Pts |
|---|---|---|---|---|---|
| Chennai Super Kings | 7 | 6 | 1 | 1.057 | 12 |
| Kings XI Punjab | 6 | 5 | 1 | 1.039 | 10 |
| Rajasthan Royals | 7 | 5 | 2 | 0.483 | 10 |
| RC Bangalore | 7 | 3 | 4 | -0.266 | 6 |
| Kolkata Knight Riders | 7 | 2 | 5 | -0.21 | 4 |





# ইঙলেনগী দিফেন্দর ফিল জোন্স শোকপদগী ব্রাজিল ব্রার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি

*মাঞ্চেষ্টর, মে ৭ঃ* মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরিবা দিফেন্দর অমসু ওইরিবা হন্দক্কী ব্রাজিল ব্রার্ল্ড কপ অসিদা ইঙলেন টিমদা অফবা দিফেন্দর অমা ওইনা শরুক য়ান্নবগীদমক ফাইনেল লিষ্টতা খনগৎলবা শান্নরোই ফিল জোন্স বার্ক্লে প্রেমিয়র লীগকী হুল গা শান্নবা মেটচ অমদা ৩–১ দা মায় পাক্লবসু শান্নরোই অসিগী লেংজুমদা শোকপনা মরম ওইদুনা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা শান্নরোই অসিনা কোর্নর কিক অমা কাওরকপা অদু থিংননবা এরিয়েল লৌননবা হোৎনবদা মহাক্কী লেংজুম অদু শোকখিবনি। মেটচ অসি ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবনি হায়নসু পল্লি। মহাক লেংজুম শোকপনা মরম ওইদুনা ফিল্ড ময়াইদা তাদুনা লৈবদগী অথেংবদা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লাইকন্নখ্রে।

শান্নরোই অসি হোস্পিতালদা পুখিবগা লোয়ননা টিম অসিগী এসিষ্টেন্ট কোচনা মহাক্কী মহুৎতা অতোপ্পা শান্নরোই অমা মহুৎ শিঞ্জিনবগা লোয়ননা জোন্সকী মনাক্তা চৎতুনা মহাক্কী ফিভম অদু য়েংখি। জোন্স অসি ইঙলেন টিমগীদমক্তা হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা ৯ লক শুবা ওইনা ইন্টরনেস্নেল লেভেলদা শরুক য়াগদবা শান্নরোই অমনি।

ব্রার্ল্ড কপ অসিগী ওইনা ইঙলেন টিমগীদমক মীওই ২৩ না শাবা টিম অসি ব্রার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিলদা চৎলিবা থা অসিগী ১২ দা চৎকনি হায়না তৌরম্বনি। খনগৎলবা মীওই ২৩ অসিগী মনুংদা নোংশাগুম্না ইচং থৌবা শান্নরোই ৩ গী মনুংদা মহাকসু অমনি।



# ষ্টেনিলাস ৱারেনকা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

TENNIS

*মেদ্রিদ, মে ৭ঃ* অষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ষ্টেনিলাস ৱারেনকা হৌজিক চথরিবা মেদ্রিদ মাষ্টর অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নরোই অসিনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায় পাকপা ঙমখিবা অসি য়াম্না থাজদনা অহানবা সেট অদুদা মহাক্কী ওপোনেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ক্বালিফায়র অমা ওইখিবা দোমিনিক টিমগী মখুৎতা ১–৬ তা মায়থীবা নংখি। মহাক্না অহানবা সেট অদুদা মায়থীবা নংখিবা অদুদা মহাক্কী কন্ট্রিমেন অমা ওইরিবা রোজর ফেদররনা মসানা অসিদগী ৱিদ্রো তৌখিবা অদুগুম্না মহাকসু সেকেন্দ রাউন্দদা লৈহৌরগদ্রা হায়না মেটচ য়েংলিবা মীয়াম্না খন্নখি।

শান্নরোই অসিনা অনীশুবা সেটতা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবগা লোয়ননা মহাক্কী ওপোনেন্ট প্লেয় অসিবু ৬–২ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদা দোমিনিক্না য়াম্না নীংথিনা শান্নরকপগা লোয়ননা গেম ৪–৪ মায় পাক্লরবা মতুংদা মহাক্কী সার্ভিস অদু ষ্টেনিলাস্না মায় পাকপা ঙমদুনা ৫–৪ য়ৌরবা মতমদা দোমিনিক্কী সার্ভিস অমা ব্রেক পিগা লোয়ননা সেট অদুবু ৬–৪ দা মায় পাক্কুনা ক্বার্টর চঙখিবনি।

